CS(M) EXAM 2012

G–DTN–M–NMQA

# MANIPURI

## Paper—I

## ( Literature )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 300 |
|---|---|

## INSTRUCTIONS

**Candidates should attempt Question Nos. 1 and 5 which are compulsory, and any THREE of the remaining questions, selecting at least ONE question from each Section.**

**The number of marks carried by each question is indicated at the end of the question.**

**Answers must be written in Manipuri.**

### Important Note

**Whenever a question is being attempted, all its parts/sub-parts must be attempted contiguously. This means that before moving on to the next question to be attempted, candidates must finish attempting all parts/sub-parts of the previous question attempted. This is to be strictly followed.**

**Pages left blank in the answer-book are to be clearly struck out in ink. Any answers that follow pages left blank may not be given credit.**

## Section—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং পূন্নমক খুমগদবনি, অমমমদা ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 12×5=60

*(a)* মতীকচাবা খূদম পীদুনা মৈতৈ ময়েক হৌরকপা অমদি চাওখৎলকপগী খোঙ্গুল লীরকউ।

*(b)* সফিক্সনা মণিপুরী গ্রামারদা করম্না মরুওইবা থৌদাং লৌবগে ইয়ু।

*(c)* এক্সোসেন্ট্রিক অমদি এন্দোসেন্ট্রিক কম্পাউণ্ড করম্না শেম্বগে খূদম পীদুনা ইয়ু।

*(d)* ৱাহৈ পরেং কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী ৱাহৈ পরেং মখল কয়া শুবগে খূদম পীদুনা ইয়ু।

*(e)* সন্ধি কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লোলগী সন্ধিগী মরমদা খূদম পীদুনা ইয়ু।

**2.** মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খূদিংমক ৱাহৈ *250* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 20×3=60

*(a)* ফ্রেজ করিনো তাক্লগা মণিপুরী লোলগী ফ্রেজ মখলশিং খূদম পীদুনা ইরকউ।

*(b)* মোদিফায়ার করিনো? মণিপুরী মোদিফায়ারগী মখলশিং খূদম পীদুনা নৈনৌ।

*(c)* কন্সোনেন্ত কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লোলগী কন্সোনেন্ত খোম্থোকশিংগী প্লেস ওফ আর্তিকুলেসন তাকউ।

**3.** মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খৃদিংমক ৱাহৈ *250* দগী হেল্লোইদবনি : 20×3=60

*(a)* অসপেক করম্না মশক তাক্কনি ? মণিপুরী লোন্দা অসপেক্কা তেন্সকা করম্না মরী লৈনবগে অমসুং খেন্নবগে, খৃদম পীদুনা ইরকউ ।

*(b)* মণিপুরী লোলগী ইম্পরেতিব করম্না শেম্বগে ? লোলসিগী ইম্পরেতিব মার্কশিং খৃদম পীদুনা তাকউ ।

*(c)* মণিপুরী লোল নৈনবগী লমদা কনা কনানা করম্না মওংদা শীংথানবা য়াবা খৃদোল তমখ্রবগে নৈনৌ ।

**4.** মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খৃদিংমক্তা ৱাহৈ *400* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 30×2=60

*(a)* রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়াগী লোলশিংগী মরক্তা মাঙলমচৎতগী হৌনা ফাওন-লোল (লিংগ্বা ফ্রেঙ্কা) ওইদুনা লাকখিবা মণিপুরী লোলগী ফিভম হৌজিক করম্না থাকতা লৈরিবগে নৈনরকউ ।

*(b)* ৱার্দ ক্লাস কদায়বু কৌবগে ? মণিপুরীদা ফংবা ৱার্দ ক্লাসকী মরমদা খৃদম পীদুনা ইরকউ ।

## Section—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং পুম্নমক খুমগদবনি, পাউখুম খৃদিংমক ৱাহৈ *150* দগী হেল্লোইদবনি : 12×5=60

*(a)* অঙনবা মতমগী মণিপুরী শৈরেংগী লোল অমসুং খৃৎইগী মরমদা ইরকউ ।

*(b)* মণিপুরী ড্রামাগী খোঙচৎতা এল. ইবুংঙোহলগী 'নরসিংহ'না কল্লিবা মফমগী মরমদা ইয়ু ।

(c) ফুঙ্গাৱারী (ফোকতেল)গী মশক (কেরেক্তরিস্তিক) করম্না তাক্কনি? মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদগী খূদম পীদুনা ইরকউ।

(d) তরানিপাল শুবা চহীচাদা মৈতৈগী লাইনীংদা লাকখিবা অহোংবশিং অদুগী মঙাল মণিপুরী সমাজদা কদায় ফাওবা তাবা উবগে ইরকউ।

(e) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগা মণিপুরী ফোক লিত্রেচরগা করম্না মান্নবা মশাজৎ উবা ফংবগে খূদম পীদুনা ইরকউ।

**6.** মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খূদিংমক ৱাহৈ *250* দগী হেল্লোইদবনি : 20×3=60

(a) মৈতৈশিংনা হিন্দু লাইনীং লৌরুবদি লমদমসিগী হান্নগী লাইনীংদা অনৌবা লাইনীং হাপচিনবনি হায়বসি কদায় ফাওবা য়ানীংবগে ইরকউ।

(b) শগোল কাঙজৈ লমদম অসিগী ওইবা মশান্ননি অমসুং লমদমসিদগী হৌখিবনি হায়বসি করম্না তাক্কনি, নৈনৌ।

(c) অরিবা মৈতৈগী লাইনীংদা মমা (নুপী) ওইবীগী মতীক-মঙলবু নীংবা *নত্রগা* লাৎপগী মঙাল 'পান্থোইবী খোঙ্গুল'দা কদায় ফাওবা তাবা উবা ফংবগে ইরকউ।

**7.** মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম খূদিংমক ৱাহৈ *250* দগী হেল্লোইদবনি : 20×3=60

(a) লেজন্দগী মশাজৎ করি করিনো? মৈতৈগী লেজন্দ অমগী মরমদা নৈনরকউ।

(b) মণিপুরী ফোক ব্যেলদকী মশক করম্না তাক্কনি? হৌজিক শক্লরিবা খূদম অমতং লৌখৎতুনা মদুগী মরমদা নৈনরকউ।

(c) ফোকলোরনা সমাজদা করম্না থৌদাং পাঙথোকপগে ? 'নিংথৌগী মনাদি ফক্লাংদা থেৎলি' অমসুং 'নিংথৌ শেন্না য়াওরুনু, নিংথৌ কনবা য়াও' হায়বা পাউরৌশিং অসিনা করি হায়নীংলিবগে শন্দোক্লা নৈনৌ ।

**8.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক্তী পাউখুম ৱাহৈ *250* দগী মনুংদা খুমগদবনি : 20×3=60

(a) মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসকী তাংককশিং অদু করম্না খায়রিবনো ? তাংককশিং অদুগী মরুওইবা থেন্নবা মশকশিং খুদম পীদুনা ইরকউ ।

(b) মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা মতম চঙলকপদা থোরকখিবা সাহিত্যগী অনৌবা মচলশিং (জেনর) করি করিনো হায়বদু তাকপগা লোয়ননা মতম অদুগী থোইদোকপা শক্লোন তাক্লবা হোৎনৌ ।

(c) ময়ায়চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা লাইনীংগা লোয়ননা চঙলকখিবা মহাকাব্যগী ঈচেলগী মরমদা করি খঙবগে ইয়ু ।

★ ★ ★